**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 05-04-2025)**

**টোক্ষ ঃ** মনিপুরগী ইরাং অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা কাংলুপ অনিগী মীওইশিংগা গৃহ মন্ত্রালয়গা দিল্লিদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা শান্তিগী ৱারী শান্নরগনি।

ৱারী শান্নবা অদুদা অমকো, ফোক্স, কুকি জো কাউন্সিল, জোমি কাউন্সিল, মার ইনপুই, কুকি ইনপি মনিপুরগী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানিগী ইম্ফালগা অখন্ননা ৱারী শান্নবদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়-ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিদা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অদু হন্দোক্লোই। মনিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা কায়হনবা য়াবা পুখৎলকপা ৱাফমশিং য়াবা ঙমলোই।

অমরোমদা, ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী-ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়-গৃহ মন্ত্রালয়গা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কুকি জো কাউন্সিল, জোমি কাউন্সিল, মার ইনপুই, কুকি ইনপি মনিপুরগী মীহুৎশিং ঙরাং ন্যু দিল্লিদা থুংখ্রে।

**অমিতঃ** মনিপুরদা রাজ্য সরকার লৈহন্দনবা কেন্দ্রনা রাস্ত্রপতি সাসন থমখিবা নত্তে হায়না রাজ্য সভাদা ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

মহাকা হায়-মনিপুরদা নোংমা ফাওবা কেন্দ্রনা রাস্ত্রপতি সাসন থমনিংবা লৈতে। মনিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১ দা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখিবদগী দল অমত্তনা সরকার শেমগে হায়না দাবী তৌরকখিদে। ফিভম অসি য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিদা রাস্ত্রপতি সাসন থমবা ৱারেপ লৌখিবনি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লাইশোই চীংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় ফাগৎলে। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা-এস.এল.আর. রাইফল অমা, করবাইন মেছিনগন অমা, থ্রি নোট থি রাইফল অমা, ডবল বেরেল গন অমা, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৮, টিয়ার গ্যাস সেল মঙা, গ্রেনেদ অনিনচিংবা য়াওরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা খামরল মমাং চিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা এস.এল.আর. নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, ইয়ার গন অনি, নাইন এম.এম. পিষ্টোলগী মেগজিন অনি, বুল্লেট প্রুব প্লেট তরুক য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, শকখঙদবা মীওইশিংনা ফাদুনা পুখিবা মীওই অমসু মনিপুর পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে। মীওই অদু ফাবদা চেন্নবনি হায়বা য়ু.এন.এল.এফ (পান্বৈ) গী কাডরনি হায়বা মীওই অনি অমসু ফাখি। মখোয়দগী বোলেরো জিব অমা, মোবাইল ফোন অহুম অমদি শেল খরসু ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পিপল ৱার গ্রুপ) কী কাদরনি হায়বা মীওই অমা থৌবাল জিলাগী খোংজোম খেবা চিং এরিয়াদগী ঙরাং ফাখি। মীওই অসি খোংজোম এরিয়াদা মীয়ামদগী শেল খায়দবা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা এম. টোইন্তিগী পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অমা ফংখি। মহাকা হায়দোরকপদগী মখা তানা লুপ অসিগী মীওই অমস্ খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকাইদগী ফাগৎখি। মঙোন্দগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা অমদি মোবাইল ফোন অনিসু ফাগৎখি।

**ডে (এল) ঃ** ইনটেক মনিপুর চেপ্তর অমদি রোংমৈ লিটরেচর সোসাইতিনা পুন্না শিনদুনা ইন্টরনেসনেল মাদর লেঙ্গোইজ ডে থৌরম ঙসি জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুং ওইগনি।

**দিসি (এল) ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধরুন কুমারনা ঙরাং জিলা অসিগী তুইবোং সব দিভিজনগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ২০ লোমদা চৎতুনা মফম অদুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা রিলিফ কেম্পশিং অদুদা লৈরিবা ইরাং অসিনা শোকহল্লবা ইমুং কয়াগী মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মফম অদুদা লৈরিবা মীয়ামনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা দি.সিদা পাউদমখি। মখোয়না থকবা ঈশিং মরাং কায়না ফংদবগী ৱাফম য়াওনা হেলথ কার্ড, অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বা অমদি শেলগী তেংবাং পীবিনবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু তারবা মতুংদা দি.সিনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগা তান্নরবা মতুংদা মখোয়গী অৱাৎ অপাশিং কোকহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

**ককচিং (এল) ঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস ককচিংগা পুন্না শিনদুনা ঙরাং নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা জিলা অসিগী ইমা নূংথোং লাইরেম্বী রিলিফ কেম্প, শুগ্ ম্যুনিসিপাল রিলিফ কেম্প, সেরৌ অমসুং শুগ্ খা মায়কৈ কনবা রিলিফ কেম্পতা দ্রগ লৈতবা লমদম অমা ওইহন্নবগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং কলম্বোদা থুংখ্রে।

মহাক্কী খোঙচৎ অসি শ্রীলঙ্কাগী রাস্ত্রপতি-অনুরা কুমারা দিশানায়কনা বার্ত্তন তৌরকপদগী লৈবাক অদুদা চৎখিবনি। শ্রী মোদিবু লৈবাক অদুগী মপান থোরম মন্ত্রি-বিজিতা হেরাট য়াওনা মন্ত্রি কয়ানা তরামা ওকখি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মোদিনা শ্রীলঙ্কাগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি অমসুং ভারতকী শেন্থুং মখাদা লৈবাক অদুদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা চাডখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া অমসু শঙ্গাগনি।

শ্রী মোদিনা হয়েং অনুরাধাপুরদা চৎতুনা দয়াশ্রী মহাবোদি লাইশঙদা লাই খুরুমগনি। মদুগী তুংদা, রেলৱে প্রোজেক্ট খরা শঙ্গাগনি।

**কংগ্রেস ঃ** কংগ্রেস দলনা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ডা: মনমোহোন সিংহগী মিংদা ডা: মনমোহোন সিংহ ফেলো প্রোগ্রাম অমা ঙরাং হৌদোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অসিনা লৈবাক অসিগীদমক্তা তৌরম্বা থবকশিং অদুবু ইকায় খুমবা অমদি নীংশিংবা ওইনা হৌদোকপনি। খুন্নাইদা অহোংবা পুরকবা অমদি মীয়ামগী থবক তৌনিংবগী অপাম্বা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ৱার্কিং ক্লাস প্রোফেসনেলশিংদা ডা: মনমোহোন সিংহ ফেলো পীদুনা ইকায় খুমগনি হায়রি। চহি খুদিংগী মীওই ৫০ খনগৎতুনা ফেলো পীগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসিদগী দিল্লিদা মীতৈ অমদি কুকি ৱারী শান্নরগনি হায়বা পাউ, মনিপুরদা পি.আর. থম্বদা রাজ্য সভানসু অয়াবা পীখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

পোকফমদা-ঙসিদগী দিল্লিদা মীতৈ, কুকি ৱারী শান্নরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-কুকিশিংগা ৱারী শান্ননবা অমুকো, ফোক্সকী মীওইশিং দিল্লিদা থুংখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা মনিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইগনি হায়না অমুকোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মোরনিং বেল, হুইয়েন লানপাউ, পিপলস ক্রোনিকলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-রাজ্য সভাদসু নোংয়াই মতুংদা মনিপুরগী মতাংদা পুং অমা হেন্না খন্নখি। খন্নরগা পি.আর. থম্বদা হাউসনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-গ্রাম পঞ্চায়টকী লৈরিবা ইশুশিংগী মতাংদা মনিপুর হায় কোর্টনা ৱারেপ লৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ অমা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-অমুক্তং শিজিন্নরগা লোয়রবা প্লাষ্টিক মখলশিং থিংবগী থৌশিল হেন্না কনশিনগদৌরি। মনিপুর প্লাষ্টিক পোলিসি ২০২২ ঙাকা চৎতবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপা হৌরগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহানা ফোংদোকখিবা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-প্রসিদেন্ট রুল প্রোক্লেমেসন রাজ্য সভাদসু পাস তৌখ্রে, মনিপুর ভাইওলেন্সকী মতাংদা লৈঙাকা হাউসতা হ্বাইট পেপর পুথোক্কদবনি: মালিক অরজ্ন খর্গে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-মনিপুরদা পি.আর. থম্বা পামদে-অমিত সাহ হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু

অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-ঙসি দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মীতৈ-কুকি লুপশিংগী মীফম অমুকো অমসুং ফোক্সকী মীহুৎ অহুম অহুম দিল্লিদা থুংখ্রে। কুকি জোগী মায়কৈদগী মীহুৎ ৯ শরুক য়ারবা য়াই হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা শান্তিগী ৱারী অসি মীপুম খুদিংমকা লুমা লৌবগী তঙাইফদবা লৈহায়না হান্নগী লেফটনেন্ট জেনরেল-কোন্সম হিমালয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী এম.এল.এশিংনা নেদাগী কনভেন্নর ওইরিবা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মনা উন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-কুকি জো অমদি মীতৈগী মীহুৎশিং ঙসি দিল্লিদা ৱারী শান্নগদৌরি হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।